# শৌবোল য়াইরেন চনুগী ৱারীদা শিব লাইনীংগী অকনবা ঈনোৎ

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

অঙাং ওইরিঙৈদা শজিবু চৈরাওবা (থাঙ্গৈশেংবদি নোংমা পানবা চৈরাওবা নত্তে, চরক পুজা) নুমিত্তনি, চাবা থকপা লোইশিনবগা থোঙাম মোন্দুম মহাদেব খুরুম্বা য়াম্না চৎনৈ। বাজি হনগী বস অমসু লৈবদুদা ইচে বিজয়া ঐখোয় অনীদি চত্তবা চহী য়াওদে। হল্লক্লবা মনীং চীং মহাদেব (হৌজিক অঙান চীং ইকো পার্ক মথক চীংদোন্দ লৈবা খুভমদা) খুরুম্বনি হায়দুনা আ চীংদোন য়ৌনা কাবীনি। শিবগী মরমদা লৈঙোই মকুপ অমগী চাং ফাওবা খঙবা নত্তে। মীসু চৎনৈ হায়দুনা চৎপখত্তনি। চীং কাবা উচান মসা মচা অমা অনী থেকচরকপা, মদুদা পঙনুং নুংঙাইজখিবৈ ৱানি। লীথোক তমথোক্লীংদবা মথোঙ হুক্তবা থৌওংসু য়াওখ্রপোৎনিদা। পৈশা অতাউবী (পৈশা অহুম চৎপী) অমা শিব লিঙ্গদা লংশিল্লম্লগা লাইবকসে শিন্দুরনা ঙাংশং হেক ঙাংলদুনা অঙম্বা চীংগী খোঙ লম্বীদুদা চেন্থরকপদা খাম্বা ঙমদদুনা চীংখোঙগী লম্পাক্তা লৈশাবী পাখং খরা ফল্লগা চামিন্নরিবা শিংজু বোরা মথক্তা উপশিৎ শিৎপা মতাংসু য়াওখ্রপোৎনি। চৈবীরদ্রা পাখৎপনে, খরসু ইকায়বগুম তৌরদুনা কোক হেক হৌগৎকেসু খনখিদে। অদুম্মক উপ্তা তারগা মায়গী শরুকসি থাঙ্গৎলগা খোংবদু ঙ্যাও ঙ্যাও শোয়দনা মাল্লমগনি। লমদম অসিগী চীংদোন কয়াদা শিব মহাদেবগী খুভমশিং লৈ। মাবু খুরুমজরবদি নীংজবদু থুংই হায়দুনা খুরুম্বা চৎনৈ, হৌজিকসুনি। বারুনি খুরুম্বসু চৎখি। খঙদবা হায়বসিসু খঙদবনি, ঐখোয়গী লৈজবা কয়াবু নুং-পান ফাওনা খঙবা উবা ঙমখিদবনা মহাদেবগী মফমদা থৌনিজবনি হায়না পূক্নিংদা অদুম্মক ফাওখি।

মণিপুরদা দ্রামাগী ঈহৌনা য়ং য়ং লাউরিঙৈ মতমনি। মতমদুদা ঐখোয় লৈশাবী ফাগদবা খরা ৱাৎলি। দ্রামা ফনা ফজনা য়েংখি। মাইনু পেমচা হায়বা অৱাবনা পোলোই ওইবা দ্রামাদু অহুম মরিরক য়েংখি। পেমচাগা বোড়চাউবগা থুংনদনা শিরগা লোইশিনখিবদু থৱায় য়াম্না নুংঙাইখিদে। লৈশাবী পাখং অয়াম্বদি থম্মোয় কায়নরমগদবা মাল্লি। মতমদুদা অসুম্না ৱারীনৈ - *লৌনসি লৈনসি হায়দুনা নুংশিনরিবা পাখং লৈশাবীনা পূন্না মহাদেব খুরুম্বা চৎমিন্নরবদি থুংনদে।* সুম হায়নবদা পেমচাগা বোড়চাউবগা থুংনদ্রিদু গ্বারোক মহাদেব খুরুম্বা চৎমিন্নরুবগীনি হায়। লানবা চুম্বদি খঙদে ঐখোয়সু থাজরিপোৎনি। লৈশাবী ফারকান্দা নুংশিনবা পাখংগা মহাদেব খুরুম্বা সুংচৎ হেক চৎমিন্নরোইকা খনবজাৎনি। শাফু কল্লবা হিন্দু লাইনীংগী ঈচেলনা মণিপুরদা য়ৌরকখিবগী ৱারী অমুক হন্না লীরুবগী মথৌ তাদ্রমাল্লে। ঈচেলসিদনি শিব লাইনীংসু ঈরোয়নরকখিবদু। ৱারী লাইরিকশিংদা তারিবা মমিদুনা নৌরিবা ঐখোয়গী কোক্তা মচু শঙজিনখিব্রা খল্লি। মহাদেবগী ত্রিশুলনা ঈশিং চিংথোকপা, মণি চাইথরকপা, মদুদগী মণিপুর থোনখিবনি হায়বদু অশেংবা ওইরবোই নীংদুনা ফনা কুইনা থাজখিবনি। অসুম্না মণিপুরদা শিব লাইনীং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ৱারী লাইরিক কয়া অখঙ অহৈশিংনা শেম শাদুনা থম্বীরম্মী। মদুনা মরম ওইরগা লাইনীং অসিগী ইথিল চঙবা ৱারীশিংবু মীয়াম্না থাজনা লুন লৌরম্বগী মীৎনা শং শংনা উবা খুদম হায়রগদি লাইনীং অসিনা মপাল মরূ তাশিন্দুনা লৈরবসিনি। পান্থোইপী খোংকুন্দা নোংপোক নিংথৌগী শক্তম্বু ঙক্তা লিন য়েৎপা, কৈ মউন শেৎপা, লিন খাওন্নবা, মশম জটা মনীংদা ঈশিং পুবা, ত্রিশুল পায়বা হায়না শৈথারম্বসিমক খন্নবা য়াবা ৱাফমনি। অঙকপা ৱাফম অমসু লৈ, শিব মহাদেবগী অয়েকপা শক্তম নৎত্রগা মিতম অসি ইমুংদা থম্বা তৌহৈদেসু হায়নৈ। ৱারী লাইরিক্কী ইথিল অসিসু তরাই তরাইবা নত্তে কনখ্রজাৎনি। মহাভারত্তা কুন্তিনা লৈহাউ কৎপগী মতৌ ওইরমদৌ মাল্লি, লমদমসিদসু মহাদেবদা লৈহাউ কৎপা নুমিৎ লৈরে। নুমিৎসিগী ওইনদি লৈহাউ পাম্বীদা লৈহাউ অমা ফাওবা খাকপীদখৈ হেক্লবীনি।

শিব লাইনীংনা অচৌবা মফম কন্দুনা থল্লিবা ৱারীশিংগী মনুংদা শৌবোল য়াইরেন চনুসু অমনি। মপুথিবা নিংথৌ অমসুং য়াইবীলৈমগী শৌবোল য়াইরেল চনু অমদি সনা খোংনাং লৈমা কৌবী মচানুপী অনী লৈরম্মী। মপাগী য়াথং মতুং ইন্না শজিবু থাদা নিংঙোল অনীনা লৌবুক্তা লৌ তাবা চৎলম্মী। মখোয় অনীনা থবক শূরিঙৈদা কোরৌহনবা নুমিৎসু শগোল তোংদুনা নোংপোক্তগী নোংচুপ তম্না নুংতিগী চৎলম্মী। মচিন মনাও অনীনা মহাক্কী মতিক ময়াই শৈথাদুনা নুংতিগী ঈশৈ শকপদু মহাক্না তাখ্রে। মঙানি শুবা নুমিত্তা মালেমদা কুমথরক্তুনা নিংঙোল মচিন মনাওগা ৱাহং পাউহংনৈ। মচাশিংনা পাউদম্বদগী মপুথিবসু লৌবুক্তা লাক্তুনা লোৎলিঙৈদা কোরৌহনবগী শগোলনা খুরৌ চেন্দুনা শিরে। অদুবু কোরৌহনবনা হিংগৎহল্লবা মতুংদা মচানুপী অতোম্বীবু নিরকপদা মপু থিবনা য়াখ্রে। অসুম্না সনা খোংনাং লৈমদু কোরৌহনবগী তালোয় ওইদুনা শগোল তোংলগা নোংদোনথক্তা কামিন্নখি। মদুগী তুংদা শৌবোল য়াইরেল চনুবু শিব মহাদেবদা থাজগে হায়না মপু থিবনা খল্লি। মাগী পূক্নিং উবীরবা মহাদেবনা লম্বোইবা শারগা থুংলৈ। লম্বোইবদা মচানুপী শৌবোল য়াইরেন চনুবু কৎখ্রে। হুম্নি শুবা নুমিত্তা শা তানবা চৎননবা অঙম-অথৌ মনাই-মশন লৈবাক মীয়ামদা হায়রম্মী। ৱারম অদু তাবদা লম্বোইবসু শা তানবা য়াওরুগে হায়দুনা মশম যটা মনুংদগী ৱাগী উতোং অমদি খোঙবীরুক (মেরুক মচা) পুথোক্তুনা ঈশিং অমদি চাক হাপচিলহল্লি। শৌবোল য়াইরেল চনুনা উতোং অদুদা ঈশিং হৈজিনবদা থনবা কৌবা নাইখিদে। খোঙবীরুক অদুদা চাক হাপচিনবদসু চপ মান্নখি। হায়রিবশিংদু তুম্বা অমগী মনুংদা হাপচিল্লগা চৈশু অমগা লোয়ননা শা তানবা চৎপশিংগা খোঙবু ওইখি। শা তানফম য়ৌরবদা অচিকপা মফম অমদা থৈদোক্তুনা যটা মনুংদগী পার্ব্বতী, স্বর্সতি, পেংনম, পেংদোল পুথোকই। পেংনম পেংদোল থাদুনা ফারিবা শাশিং অদুগী মনা লেন্দুনা পুরকহল্লি। মশীং থিবদা চাত্রেৎ শুরে। মরিমক্তু অমুক হন্না মাগী যটা মনুংদা হাপচিল্লি। মপুথিবা অমদি ময়াম হল্লক্লবদা লম্বোইবসু মখোয়গী মরক্তা চঙলম্মী। নিংথৌগী মমাক ওইরগা শা অমত্তসু ফাদে হায়না মীয়াম্না করেম্নবা তাবদা নিংথৌদু ইকায়রম্মী। তাঞ্জাদুদা লম্বোইবনা শা পূম্নমক মহাক্না ফারকপনি হায়বগী খুদম চাংদম ওইনবা শা মনাশিংদু মশীং চপ চানা খাউদগী হৈদোক্লম্মী। ফারকপা শা পূম্নমক মনা লেনখিবা উবদা খোয়ুম লাইনি খন্না অকিবা ফাওখি। ময়াম চাক ঈশিং চাননবা থৌরাং তৌদুনা উতোংদগী চাক থিদোকপদা লোইবা খম্বা নাইরমদে। ঈশিংসু অদুমঙায় অমহানি। অসুম্না লাইনি হায়বা খঙবদগী নিংথৌ নিংথৌ য়াওনা লৈবাক মীয়াম্না খুরুমজখি। মপু থিবগী লৈবাক নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পান্নবা থৌজানবীরম্লগা শৌবোল য়াইরেল চনুগা লোয়ননা কোরৌ নোংদোনথক্তা কাখি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা শৌবোল য়াইরেল চনু শিব লাইনীংগী পোখোক অমা ওইরিবা থাজ ৱারীনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### কমলিনী অমসুং চিংলেন লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):
নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফালদা অচৌবা শেনফম অমা কৎপীদুনা মণিপুরী সাহিত্যবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপীনবা হোৎনবীরম্বা তায়েঞ্জম ওংবী কমলিনীনা চৎলিবা থা অসিগী ৬তা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফালনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না সমিতি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এ সী নেত্রজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, তায়েঞ্জম ওংবী কমলিনীনা সমিতিদা অচৌবা শেনফম অমা কৎপীদুনা মহাক্কী মচাইবুংঙো লৈখিদ্রবা জয়ন্তগী মিংদা তায়েঞ্জম পোইত্রি এৱার্দ কৎপীদুনা কুমজা ২০০৪দগী পীবা হৌরক্তুনা ঙসি ফাওবা চহী ২/২ কান্নরগা পীদুনা লাক্লি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম ওন-লাইনগী খূথাংদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা সমিতিগী প্রসিদেন্ট এল উপেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইখি। ঙসিগী মীফম্না মণিপুর সাহিত্যদা অচৌবা শেনফম কৎপীরম্বা মমল য়াম্লবা মীশক অমা লৈখিদবা হায়বসি পূম্নমক্কী মাঙজবা হায়বদু ওইহৌরে হায়না ফোঙদোক্লখি। মীফম অসিদা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী খুয়াখাদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক মিনিট অনী তূমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, মণিপুর কো-আর্টিষ্ট এসোসিএসনদা নুপী শাবি আর্টিষ্ট ওইনা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌরম্বা তখেল্লম্বম চিংলেননা ইখঙ খঙহৌদদনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা লাইফ টাইম সেক্রেটরি শৌগ্রাকপম হেমন্তানা হায়খিবদা মহাক্না লৈখিদবা অসি শুমাং লীলাগী খোঙচৎতা অচৌবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি। মহাক্কী মতৌ তমগদবনি হায়দুনা লৈবা নুপীগী শক্তম লাংবদা তমজফম ওইবা মীশকনি হায়খি। অৱাবা ফোঙদোকপগী ঙসিগী থৌরম অদুদা শুমাং লীলা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্নিমাশি লৈমা, লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট কেঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মা, ভাইস প্রসিদেন্ট এল তোম্বা, পদ্মাশ্রী ৱারেপ্পা নবা অমদি জেনরেল সেক্রেটরি যূম্নাম নিলচন্দ্রনা কাউন্সিলগী মহুৎ শিন্দুনা মিনট অনী তুমিন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

লৈখ্রিদবা চিংলেননা কুম্লম্বা লীলাশিংগী মনুংদা কংলা করবার, চৎলেদো ঐদি মখোয়গী হয়েংগীদমক, কুরুক্ষেত্রগী লানফমদা কুন্তি পনবা য়াই। মহাক্কী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়দুনা শুমাং লীলা কাউন্সিলগী জেনরেল সেক্রেটরি যূম্নাম নিলচন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকখিবা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

### পেন্দেমিককী য়েংবীদুনা ইমপ্লোয়ীশিংগী থা মরিগী তলব পীথোকপীয়ু: য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):
মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)গী মখাদা নোংজু নুংশা, অহিং-নুংথিল থবক শুজরিবা জুনিয়র টেক্নিকেল এসিষ্টেন্ট (জে টি এ) শিংগী থা মরিগী পীথোক্তনা লৈরিবা খূৎশুমল মীনুংশি য়েংবীদুনা পীথোক্লবা আপীল তৌজরি। য়াম্না অপীকপা খূৎশুমলদা হিংজনবা মীয়ামগী থৌগল তৌজরিবা জে টি এ ইমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমল পীথোকপীদবা তারগদি তঙায় ফদনা থাও হাপ্পিংঙাই ফাওবা লৈতবনা মরম ওইরগা থবক লেপ্পা তাবনি হায়না এম এস পি দি সী এলগী এনগেজ ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট চনম গ্যানেননা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক পেন্দেমিককী মতম অসিদা কোভিদ ৱারিয়রনি ফাওবা নীংশিংবীদদুনা তলব ফাওবা পীথোকপীদবা হায়বসি ইমপ্লোয়ীশিংগী ইমুং কয়াবু কোইলাস মথক্তা পুল্লগা উকাই তকপীবনি হায়রোইদৌবগী মরম লৈতে। পোৎ-চৈগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংখৎখ্রবনা ভেরিএবল দিয়রনেস এল্লাৱেন্স (ভি দি এ) ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ওইনা চাদা ১০০ হেনগৎখ্রবসু এম এস পি দি সী এলগী ওইনদি লুপা অমা ফাওবা হেনগৎপীদ্রি।

লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা মীয়ামগীনিবু হায়রবদি খন্দুনা অঙম্বমখৈ কথোক্তুনা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম লোয়ননা লৈঙাক্লসু এম এস পি দি সী এল ইমপ্লোয়ীশিংবু নুংশিবীয়ু। উপাই শুক্লে লৈত্রবদি মশানা মরোমদোম দ্যুটি তৌজনবা লম্বীদা লাক্লবগী শেল ফাওবা লৈত্রবনা থবক লেপচখিবদা মীয়াম্না উপাই লৈজদ্রবা ইমপ্লোয়ীশিংবু ৱারৌবীবা তৌবীগনু হায়রি।

হৌজিক লোইশঙ খূদিং, মীয়াম হুপ্না শাথিরবা পুন্সি মরেল অমা লেঞ্জরিবা তানফমসিদা ইলেক্ট্রিসিটি য়াওরক্তবা মতমদা অপীকপা খূৎশুমলদা থবক শুজরিবা ইমপ্লোয়ীশিংবু খোইখা-লিনখা থাবীদনবা মাঙজৌননা নোল্লুক্না নীংশিংজরি। পেন্দেমিক মতম ওইদুনা ওইরবসু উপাই লৈত্রবদি থবক লেপচবদা অনাবগী ইমুং-মনুংশিংদা খুদোংচাদবা ময়াম মায়োক্ন বদা লাঞ্জদ্রবা ইমপ্লোয়ীশিংবু লান্না উবীদনবসু আপীল তৌরক্লি।

লৈঙাক্কী শেল-থুমগী ফিভম্না উপাই শুক্লে লৈজদে হায়রবদি থাও ফাওবদংদি পীবিদুনা চারা হেল্লবসু ইমপ্লোয়ীশিংনা মীয়ামগী সেবা তৌজনবগী থৌনাদি লৈজরি। অথুবা মতমদা এম এস পি দি সী এলগী ইমপ্লোয়ীশিংগী তলব পীথোকপীদুনা অৱাবশিং কোকহনবীয়ু। থবক শুদনা তলব লৌজগে হায়বা নত্তে, নেসন ফর্ষ্ট হায়জবা লো অসিদা থা মরি করিমত্তা হায়জদনা থবক শুজদুনা লাকচরিবনি হায়নসু চেরোল অসিনা অরোইবদা ফোঙদোরক্লি।

### কিহোম কুম্মৈগী অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):
চহী খূদিংগী ওইনা দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অন্দ্রো কেন্দ্র (দি ও এ কে)না শীনবা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা কিহোম কুম্মৈ (পাইনেপল ফেষ্টিভেল) কুম্মৈসি চহীগী ওইনা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিনা মরম ওইরগা ঙসি নুংথিল অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুং চনবদা লৈরিবা থম্বালনু মার্কেটতা ৱান দে ওভজর্ভেন্স ওফ দি ফোরটিন্থ ষ্টেট লেভেল পাইনেপল ফেষ্টিভেল-২০২১ লৈঙাক্না পীবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্না অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা দি ও এ কেগী জেনরেল সেক্রেটরি হিদংময়ূম ওকেঞ্জিৎনা হায়খিবদা, হৌজিক হৌজিক্কী ওইরিবা মালেমগী ওইনা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী লায়না লাইচৎ অসি হেক লোইবগা কিহোম থারিবা লৌমীশিংগীদমক খল্লগা মহৌশাগুম্না ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা পাইনেপল ফেষ্টিভেল অসি দি ও এ কেনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়খি।

### ‘হীদাক কাপ্পগী খুদোংচাদবা লৈরগসু পাউ পীবিরকউ’

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):
ঐখোয়না নৌনা ফ্রী এম্বুলেন্দ সর্ভিস/টেলিফোনগী খূথাংদা লায়েংবা/য়ূম য়ূমদা চৎলগা য়েংবা হৌরগনি, হীদাক কাপ্পগী খুদোংচাদবা লৈরগসু পাউ পীবিরকউ। মীয়ামগী অৱাবা কয়াসু য়েংদুনা লৈবা ঙম্লক্তবগী সাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী মেনেজিং কম্মিটিনা য়াম্না কূপ্না তানরবা মতুংদা অমুক্না সর্ভিস অসি তৌনবগী দিসিজন অসি লৌজবনি অমদি মতেং অসি অমুক্না পাংনবা লেপচবনি হায়না সাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (সিমস) মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর দা. এস কুমারনা থোকপা চোরাল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মতম খরা লেপ্পুবদু লেপ্পে হায়বগী ৱানি, অদুম ফ্রী সর্ভিসতি তৌখি। কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পদা কিনিঙাই ওইদে, ঐ ইশামকসু কাপ্পে, মরম অদুনা চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ লৈতবা লমদম অমা ওইহনসি হায়বসিদা ঐখোয় মীপূম খূদিংনা শরুক য়াফম থোকই।

ইন্দিয়াদা শীজিন্নরিবা কোভিদ ভেক্সিন মখলশিং অসি অখঙ অহৈশিং মরোল নাইনা চাংয়েং তৌরবা মতুংদা থাদোরক্লবা ভেক্সিন অসি কাপ্পদা ঐখোয়না চিংনিংঙাই লৈতে। লৈকায় লৈকায়দা ভেক্সিনেসন কাপ্পা লাকপা মতমদা মীয়াম হুপ্না থোকপীদুনা কাপথোকপীয়ু। কোভিদ লৈত্রবা লমদম অমা ওইহনবদা ইশা ইশাগী থৌদাং য়াম্না চাওই। ঐখোয় পূম্নমক্না তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি খনবীরগা কাপথোকপীয়ু অদুগা নাগ-য়েক্তবা, মশা-মউ ফনা লৈবীয়ু।

অমরোমদা, হন্দক চহীগী ওইনা মেদিকেল ষ্ট্যুদেন্টস হায়বদি মমা মপা লৈজদ্রবা (ওর্ফান) মহৈরোয় ২০ লুপা অমফাওবা তিংদনা সিমস না মহৈ তমহল্লগনি হায়নসু চেরোল অসিনা অরোইবদা ফোঙদোরক্লি।

### চাদা ৯০গী চাংদা ভেক্সিন কাপ্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):
ব্লোক মিশন মেনেজমেন্ট য়ুনিট জিরিবাম সী দি ব্লোক, মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহূদস মিশন (এম এস আর এল এম) দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিলভপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়তি রাজ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা প্রমোটেদ তৌবা ইমোইনু এস ঐচ জি (সেল্ফ হেল্প গ্রুপ) চম্পানগর, দিবোং, জি পি, লৈমরেন্বী এস ঐচ জি করমরঙ্গ, হিলঘাত জি পি হায়রিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অনীসিগী মেম্বর অমত্তা চিংখিদনা মেম্বর পূম্নমক চাদা চাম্মা কোভিদ ভেক্সিনেসন টিকা থাদোকপা ওইরে অমদি মহাদেব নুপী লুপ চম্পানগর, দিবোং জি পি, ঙানথোইবী এস ঐচ জি, লিংজেল এস ঐচ জি হিলঘাত জি পিগী মেম্বরনা চাদা ৯০গী চাংদা ভেক্সিন কাপ্লি হায়না এম এস আর এল এম জিরিবাম সী দি ব্লোককী ব্লোক মিসন মেনেজর ৱাহেংবম প্রেমচান্দনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, চহী অসিগী মে ২৬তগী জিরিবাম সী দি ব্লোকতা লৈরিবা গ্রাম পঞ্চায়ত অহুমসিগী এস ঐচ জি এক্টিভ ৱুমেন, লীদরশিং, বেঙ্ক শাক্ষি, মেম্বরশিংদা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন এস ও পি ঙাকপা, কোভিদ-১৯ এপ্রোপ্রিএট বিহেবির্স, হেল্থ সীকিং বিহেবিয়র এন্দ ইম্যুনিটি বিল্ডিং হায়বা হীরমশিংসিদা য়ুস্ফম ওইরগা বি এম এম য়ু-জিরিবাম সী দি ব্লোক এম এস আর এল এমনা এস ঐচ জি মেম্বরশিংগা খূৎশম্নদুনা ভেক্সিনেসন কেম্পেন অসি তৌদুনা লাক্লি।

ভোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ লাম্থেংনবদা এস ঐচ জি মেম্বরশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংনা লৌরিবা থৌদাং টিকা থাদোকপা অমদি কৈরোই লৈকায়গী মীপূম খূদিংমকপুসু পূক্নিং থৌগত্তুনা ভেক্সিনেসন তৌহনবসিদা বি এম এম য়ু-জিরিবাম সী দি ব্লোক, মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহূদ মিশননা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়রি।

### উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):
কুমজা ২০১৯গী জুলাই ১দগী হৌখিবা গ্রীন হিয়াংলম কেন্দ্র কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু হিয়াংলম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লফুপাৎ তেরা নিঙোলখোংদা উ চারা ৫০০ থাখ্রে হায়না গ্রীন হিয়াংলম কেন্দ্র কেম্পেননা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা গ্রীন হিয়াংলম কেন্দ্র কেম্পেন অসিগী কেম্পেনর অমসু ওইরিবা সোসল ৱর্কর মাইবম সুরচন্দ্র মৈতৈনা হায়খিবদা গ্রীন হিয়াংলম কেন্দ্র কেম্পেন অসি মতম খরা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইদুনা লেপ্পুরবা মতুং ঙসি লৈঙাক্না পীবা এস ও পি ঙাক্না উ চারা থাবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

উ চারা থাবগী কেম্পেন অসি মখা তানা হিয়াংলম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা উ চারা থাবা য়াবা মফমশিং খঙদোক্তুনা উ চারাশিং থাদুনা উপাল-ৱাপালনা মতিক চানা হৌবা এ সী অমা ওইহনগনি হায়খি।

ঙসিগী উ চারা থাবগী থৌরম অসিদা আর ও ককচিং এম মুনাল অরোং নোংমাইখোং পি এসকী ও সী টিঐচ দামু অমদি লৈকায়গী ক্লব অমদি মীয়াম থোরক্তুনা শরুক য়াখি।

### ‘দেল্লী হায় কোর্টনা যুনিফোর্ম সিভিল কোদ শৌগৎখিবা য়াবা ঙল্লোইদবা ৱাফম্নি’

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):
দেল্লী হায় কোর্টনা সেন্টরদা যুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহন্নবা দরকার লৈবা খোঙথাং লৌখৎনবা খঙহনখিবা অসি চৎনবা য়ারোইদবা পাম্নরোইদবা অমদি য়াবা ঙল্লোইদবা ৱাফম্নি হায়না পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই)গী চ্যেরমেন ওমা সলামনা ফোঙদোকখ্রে।

পি এফ আইগী পি আর ওনা থোকপা চেরোল অসিদা, যুনিফোর্ম সিভিল কোদ অসি মাইনোরিটিশিংগী মশাগী ওইবা লোগী মখাদা হিংজবগী হকশিং খোঙ্গাওনৈ হায়বগী ৱাফমগা মরী লৈননা মতম কুইনা পোলিটিকেল দিবেট ওইদুনা লাক্লি। সুপ্রিম কোর্টনা ইস্যু অসিবু কয়ারক হন্না কূপ্না য়েংশিন্দুনা নৈনখ্রবসু যুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহন্নবা অরোইবা ৱারেপ লৌখ্রবনি। চহী অসিগী অঙনবদা এপেক্স কোর্ট অসিনা ইন্দিয়াগী রিলিজন ন্যুত্রেল ইনহেরিটেন্স এন্দ সক্সেসন লোগী মতাংদা সেন্টরদগী পাউখুম কৌখ্রে অমসুং ইস্যু অসিগী ৱারেপসু পন্দুনা লৈরি হায়রি।

বি জে পি নত্তবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পর্সনল লোশিং মুখৎতুনা যুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনবা অসি শৌগৎখিদবগা লোয়ননা মমাঙগী বি জে পি গভর্ণমেন্টনসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদবা লৈখ্রে। হিন্দুত্ব পোলিটিক্সতা বি জে পি অমদি খোঙলোয়শিংগী ওইনদি ইস্যু অসিনা কম্যুনেল শাগৎতুনা মেজোরিটিগী ভোটশিং পূনশিন্নবগী মরু ওইবা খূৎলায় ওইদুনা লাক্লি। ইলেক্সন্দা বি জে পিগী ফিভম ফরক্তবা মতমদা যুনিফোর্ম সিভিল কোদকী দরকার লৈবা অমদি মুসলিম পর্সনল লোগী ফত্তবগী তোকঙা শন্দোক্তুনা মখোয়গী ইলেক্সনগী খূৎলায় ওইনা ইস্যু অসি পুথোক্তুনা হেক হেক শীজিন্নে। বি জে পিগী লুরিবা যু পিগী ইলেক্সন নকশিল্লকপা অসিদা মোদি অমদি যোগি গভর্ণমেন্টকী অশোয়বশিং তঙায় ফদনা কূপশিন্নবা পোরম য়াৎলক্লি।

হৌজিক্কী ওইনদি ইন্দিয়ান সিটিজনশিং মাগী মাগী ধর্ম্মগী পর্সনল লোশিংদা ঙাক্লা চৎনরি। লুহোংবা, খায়নবা, চায়োক-নাওয়োকপা অমদি পারি-পুরিগী লন-থুম য়েনবনচিংবা চৎনরিবা পর্সনল লোশিং অসি মুখৎতুনা যুনিফোর্ম সিভিল কোদকী মখাদা লো অমখক ওইহন্নবা হোৎনরক্লি।

দেল্লী হায় কোর্টনা হায়খিবদা অনৌবা ইন্দিয়ন সোসাইটি অসি তপ্না তপ্না অমত্তা ওইরকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম, কম্যুনিটি অমদি কাষ্টকী চৎনবীশিং লৈরক্রে। অদুনা হোংলক্লিবা ফিভম অসিদা যুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনবা তঙায়ফদ্রে। অশেংবা মীৎয়েং অসিদা য়েংলুরদি হৌজিক ওইরিবা ইন্দিয়াগী সিষ্টেম অসিনা ধর্ম্ম অমদি কম্যুনিটি কাষ্ট লাইন কয়াদা লৈবাক অসিবু হেন্না থোইনা তোঙান তোঙান অমদি মচেৎ তারক্লি।

ওমা সলামনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা কোর্টকী মীৎয়েং অসি পাক্না থোক্তবা অমদি চৎনবা য়ারোইদবা অমনি। মরমদি জষ্টিস প্রাথিবা এম সিংহগী মমাঙদা মীনা কম্যুনিটি মনুং চনবা পার্টিশিংদা য়ূস্ফম ওইদুনা হিন্দু মেরিএজ এক্ট-১৯৯৫ শেমখ্রবনি হায়খি।


ꯂꯥꯟꯅ-ꯊꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম



মালেম তাইবঙ লৈকোলদা ঐখোয় পূম্নমকপু নুংশিনা নাওয়োক নাওকোনবীরম্বা অমদি সনামহি লাইনিং য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা **ৱাংখেমচা চিংতমলেন**-না পূন্সি চেংজেল লোইরদুনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা চৎলিবা চৈচৎ ১০/০৭/২০২১ কুমজা, ইঙাগী ৩০নি পানবা থাংজ নুমীৎতা মপূগী লৈকোন্দা লৈরাং-লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

চৎলিবা চৈচৎ ১৬/০৭/২০২১ কুমজা, ইঙেনগী ৭নি পানবা ইরাই নুমীৎতা লান্ন-থৌরম থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোন্দা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং কচচগদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈবাক্কী অথিংবা লৈবা মরম্না ইমুং-মনুং খক্তগী ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকচরগনি। মরম অদুনা পূম্নমক্না ৱারৌবীদনবা খুরুমজরি।

**পাউজেঞ্জরিবা ঃ-**
**ৱাংখেম ওংবী সনাজাওবী লৈমা (লোয়নবী)**
**অমদি ইমুং-মনুংশিং**
**সগোলবন্দ থাংজম লৈরক ইম্ফাল।**
# 9856334578
HL-P/6887/13



**BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR**
**/ NOTIFICATION**
Imphal, the 9th July, 2021

**No.Ex/62/71 (Vol-I)pt:** In continuation of this office notification of even no. dated the 26th June, 2021 regarding availability of Guidelines for Assessment/ Evaluation Modality for Assessment of students in Class-X for the H.S.L.C. Examination, 2021 in the website of BSEM "bosem.in", **it is hereby notified for information of all the Heads of Institutions/Schools recognised by the BSEM that uploading of "External Marks" of Regular Candidates for the H.S.L.C. Examination, 2021 may be started w.e.f. 13.07.2021.** The results of the H.S.L.C. Examination, 2021 will not be declared for those schools which fail to upload External Marks within the time schedule already given in the Guidelines.

Sd/- **Dr. S. Mangijao Singh**
Secretary

HL-P/6888/13



ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/6972/16/6-14/7